"মী উদ্রবসু অমন্বদা ইকাইয়ু
নঙগী মিৎস্নানদি ঙম্নমক উবনি।"

*- ইরোম শর্মিলা*

# শৈরেং

## বন্দি অমগী ঈশৈ

**—লাইশ্রম চিত্র**

ও চান্নথোইরবী
ঙসিদি নিল্লে নাপসে
মচু কয়াগী বসন্ত ঈনোৎতা
মীওইবা অমদি মহৌশা অনীগী
থম্মোয় ঈহৌদা।
অঙাং-অহল
শাবী-শানৌ কয়াগী
পূক্লিং ঈরাং হৌ
লমতা থাগী পুর্ণিমা
জগৎ শিন্না ঙাল্লক্লে।
বসন্তগী ঈহৌদা
পামেলদা ঊরী য়েৎলক্লে
শাবী-শানৌ অপূন্বা
খূজেং পালোইনদুনা
থাবল কন্না চোঙলক্লে।
নঙসু চান্নবী
হৌরিনি থম্মোয়দা মচুগী ঈরাং
ঙাওরিনি নঙগী থম্মোয়
লমতা থাগী মালংদা
য়াওনীংদ্রা নহাক
থাবল চোঙবা?
ও নহাক
শোয়দনা য়াওরম্বা য়াই
ঐ নঙগা অমুক্তা
খূজেং খূজেং পালোইনদুনা
চোঙমিন্নখিদ্রি থাবলদি।
নহাক চোঙমীননীংদ্রা ঐগা
নমান্নবী কয়ানা চোঙমিন্নবা উরগা
মাগী নুংশি থোইবগা
য়াওশঙগী থাবলদো।
ও অৱাবনি
ঐনা করম খাংসিগে
নুংশিবী নঙবু
খঞ্জবনি ঐনা
তনৌরবী লৈরাংগুম
লমলানবা কয়াগী খূৎনা
শোকহন্নীংদবনি নঙবু।
নুংশি চিরোল কয়াসু
তাহন্নীংদবনি নঙবু
লমলানবা কয়াগী মপাউদো
য়ৌহন্নীংদবনি নঙোন্দা
খম্বল চাওবা থম্মোয়সে
নুংশিজবা হেন্নবনি।
নঙগা ঐগা খঙনবা
মতম অদো নীংশিংলিবরা
পোইনু থাগী থাজিন্নী।
লাইবক থীবা ঐহাক্কি
ৱাকচীং থাগী থামৈদা
বন্দি ওইরে ঐহাক্তি
লৈবাক নিংথৌ মায়োক্তা
থবক তৌই হায়বগী।
নঙসু তারি খঙলিনি
অৱা-অনা কয়াগী
মীচং ওইবা ঐহাকপু
হুরানবগী মপুনা
দন্দি পীরি ঐঙোন্দা।
নুংশি নঙসু কায়নরে
পলেম-পন্থৌ শেৎনরে
হকচাং ঐগী বন্দি ওইরি
থম্মোয় ঐগী নীংতম্বা
কপ্পা খাংলি বন্দি শঙদা
য়াওশঙগী থাবল ঈশৈনা
ঐবু কপহল্লে
ঐবু ঙাওহল্লে।

## মালেমগী নুপীগী নুমিৎ

**—ডো. অকোইজম ইবোহল**

নুপীনি ঐহাক্তি নুপীনি
চাউথোক্না শক্তাকচগে মালেমদা
ইকায় ফিরুক খুমদুনা
লৈবগী মতমদো হৌখ্রবনি
কনানা পীবিরিবা মিংথোলনো
'পাঙ্গল শোল্লবী নুজা'
মমা শিজনা লৈশারিঙৈগী
ৱা হায়বদু মতারে হৌজিক্তি।
নখোয়গী নমোম লাংলেন নুংশিবীনি
পলেম পন্থৌগী নাপ্পগী লৈরাংনি
ওইনজগে ইথম্মোয় পেন্না
শারেপ কাংদোং ফাদ্রিফাও
শাখপ তোয়না পাইখিদ্রিঙৈ
পুন্সিগী কায়দোংফম অমদা
অদুম্নদি ওইরগা ঐহাক্তি
পলেম পন্থৌগী লেঙদ্রবা লননি।
মচেনি মচননি ঐখোয়সে
ইবুং ইপ্পা নখোয় ময়ামগী
কদায়দা করি শোয়খিগদগে খনবনা
শোয়ফদ্রবা লাইনীংনি ঐখোয়গী
মতম মতমগী হুন্নকপা
কল্লবা নোংলৈগী শাফুদগী
অমাঙ অতা থোক্তনবা
কুপশেন শেন্নজরিবী ঐখোয়নি।
নহাক্কী নুংঙাইবদা অপেনবা পোকচবী
নহাক্কী অৱাবদা শরুক য়াজরিবী
হকচাং তঞ্জায় ওইরিবী লোয়নবী
লেঙদ্রবা পুন্সিগী খোঙলোয়নি
তিঞ্জং তুম্বৌনা থল্লবা
শাংলবা পুন্সি খোঙচৎতা
নহাক্কী চৈশু ওইজরিবীনি
খক মিরাইবীগে খনবীগনু ঐবু।

পূম্নমক্তগী অথোইবীদি 'মমা' নি
থাবুম তরামক পিবুক্নংদা
নাউপুদুনা নাৱা মহাকপু
তাইবঙ ফাওহনবীরকপা ঙন্বীনি
শাগৈগী মৈতাল অরাবদুগী
লীক্লম মুৎতনবা হোৎনবা
থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা
শরুক য়াজরিবী মমা ঐহাক্কি।
হায়নৈ নুপী ঐখোয়গী মপোক্তি
মপোক অহুল্লক পোকই হায়না
করিগী য়েংবীরি হন্থবা মিৎয়েংনা
করিগী চথরি মীওৎ-মীনৈ
পুন্সিগী থেঞ্জাং কয়া-কয়াদা
য়েৎকী লমদাংনা তৌবা থৌগায়
ওইগী লমদাংনা তৌবা ঙমদবা
করিবু লৈরিবগেনে ঙসিগী মালেমসিদা।

## পুন্সিনা ঐবু

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অমুক লাক্লরোইদবা
নুমিৎশিং অদুবু নীংশিংদুনা
লমদম অসিগী
অশৈবা, অইবা, অইবী
মখোয়শিং অদুবু নীংশিংনা।
ইপা, ইপু, ইবেলশিং'দুগা
নুংশি নুংশিনা
ৱারী-ৱাতায় শান্নখিবা,
ঙসিদি লাক্লরোইদবা
নুমিৎশিংদো নীংশিংদুনা
থম্মোয় মাবু ৱারৌজরি।
হে নীংশিংবা
নঙগী পাঙ্গল অসে
কয়াম কুইনা লৈখিনি
পাম্মু-পাম্মু লোইখিগনি
নুংশি নুংশিনা
কায়নখিগনি
পুন্সিনা ঐবু
বীদায় পীরমদুনা।

## মঙফাওনরকঙৈ নিসাই মঙলান্দগী

**—ৱীমোলচান্দ**

পলেম ইমানা কপ্পমগনি
ওক্তবা মচাইদমক অচিকপদা
অহিং-মীসেল খাঙনা
মীৎলুদা পিরাং শীন্থরমগনি;
হুন্দোকপা য়াররোইদবা (ওক্তবা) মচাইদমক।
নৌনা নিসা'ই তীলনা চিকখিঙৈ
তানীংলুদে ইমাগী খোয়থুম্নর-ৱাহৈশিং
খল্লুদে অফবা অমত্তা নিসা মীকারিঙৈ
হু চেল্লবা নিসা'ই ঈপাক্তা তাওরিঙৈ;
'দুবু মিকপ থোক্লকপদা পুন্সি চেংজেল লোইরমগদৌরে।
হিংনীংলকখি লোইশিল্লক্লবা মীকুপ্পুদা
পলেম ইমাবুসু নুংশিরকখি
পাউজেন্নীংলকই - ইরোই-ইনাওশিংদা
নিসাবু শান্নপোৎনি খল্লুনু লাউনীংলকই;
কয়াদা পঙলমখ্রবা, ইশেল, ঈজৎ, ইরৌশিং পূম্নমক
লৈখা তাখিবতা নত্তনা - ইমিং ফাওবা মুৎখিরল্লে।

## নহাকপু কদাইদনো

**—অঙোম ইবোমচা**

নহাকপু কদাইদনো
শেন্বীরিবা মপু তাইবঙবু
নঙদি কোরৌগী মেংলবা
মঙাল্লক্তা য়াওবরা
হাঙল-মালংদবু তিনবরা
লৈ হায়বদি খঙহল্লি নঙনা
উবদি খক উহনদে
তাইবঙগী মিৎ অসিনা
নহাকপু কদাইদনো
শেন্বীরিবা মপু তাইবঙবু?
চীং, তুরেল, পাৎ, সমুদ্র
নঙগী খূৎশেমনি হায়নৈ
অচৎ-চত্তা, অনেম-অৱাংসু
নঙগী খূৎশেমনি হায়নৈ
নঙগী শকলোননি হায়নৈ
শুক্না মল্লবা তাইবঙগী
হকচাং পোলাংনুংদা
লৈরিবা অদুসু নঙনি হায়নৈ
উবদি খক উহন্দে
তাইবঙগী মিৎ অসিনা
মহাকপু কদাইদনো
শেন্বীরিবা মপু তাইবঙবু?
হায়নৈ নঙদি জিষুনি
হায়নৈ নঙদি আলানি
হায়নৈ নঙদি কৃষ্ণনি
কনা অমনসু হায়নৈ
নঙদি শিদবা মপুনি
থিনরি নঙতবু মীপূম খুদিংনা
ঙান্না মল্লবা তাইবঙসিদা
নহাকপু কদাইদনো
শেন্বীরিবা মপু তাইবঙবু?

## লাম্মৈ চাকপা

**—রাজেন্দ্র তেন্সুবা**

হন্দক মপোক্কী লোইরে খল্লুই মহৌশা
চীংদা লাম্মৈনা তুম্না চাকখ্রবদা
মৈখু মপৈ-মপৈ নোংদোন্দা কারিবসি
নঙগী চিন্তাগী মৈরিনি খল্লুই।
মৈরিনা তুম্না চাকখ্রবা
ঊৎ ওনখ্রবা মহৌশা
নঙগীদমক মিপাইনা থৱায় ৱারুই।
ৱাকচীংগী নোংনা মালেমদা খিকপদা
বসন্ত মতম চঙলকপদা
মালেমদা নৌনা খোইজি মিহুল লাংলক্লে
মালেমদা মোমোন নোক্লি মহৌশা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ঈপাথৌকোক্কী কোন্বীরৈ হোংঙবা নুমিৎনা লাকপদা



মহৌশাগী খুৎশেম মীওইবনা থিংবা ঙমদে। মহৌশাদা থাবান অনী শুবগী থোইদোকপা ৱাফম লৈতে। মহৌশাদি অদুম মহৌশানি। মতম শুরক্তুনা উরিরৈ শাৎলরে,হৈয়াই হৈ মমুন ফারক্লে। হৈনৌ মপাল, হৈখা মপাল, চুমৱৈ, মালহৈ নোবাপ মপাল শাৎলক্লে । কুম শুরদুনা লম্ফেল পাৎকী কোন্বীরৈনা লৈশাৎ তল্লক্লি । অরীবা ঊপাল কেনখিদুনা অনৌবা য়েন্নীংসু হুল্লরি । অঙৈংবগী মতম লোইখিদুনা নুংশাগী মৈশা তপ্পা তপ্পা হাপকৎপীরক্লি । পূক্লিংসে নুংওল্লি। হৌখিবা মতম নীংশিংলকই । চীংগী মফমশিংদসু চীংগী হৈপাল লৈপাল, উরৈশিং কুম শুরক্লদুনা লৈশাৎ তন্বা হৌরম্লগনি। তমদা লৈবা ঐখোয়না চীংগী ফজবা উবা ঙমদে। চীংদা চৎলুবদা ৱায় অমুক হন্না চৎলরোই হায়নীংগনি। অদুবু চৎলুরবা কনাগুম্বদি শোয়দনা অমুক হন্না হেক্তা চৎনীংগনি। চীংশাংশিংনা তোয়না কৌরকপগুম তাগনি।

শিরুই হায়বসি উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা কসোমদা লৈবা চীং অমগী মমিংনি । মফমসিদা খুন্দারিবা তাঙ্খুলশিংনা চীং অসিবু মখোয়গী লোলদা 'শিরুই' হায়। ঐখোয় তমদা লৈবনা শিরোই হায়। মফমসিদা লৈ অমা শাৎলি,লৈ অসিবু তাঙখুলশিংনা "Kashsong Timrawon" হায়না খঙনৈ । ইংলিস বোটানিষ্ট Kingdon Frank Ward না ১৯৪৬তা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা লৈ অসিবু মীয়াম মমাংদা পুথোকপীরকখি। মহাক্কী লোইনবী Jean Macklin গী মিংথাং লৌরগা 'Lilium mackliniae' হায়না বোটানিকেল মিং ওইনা থোন্দুনা Royal Horticultural Society flower,London না মেরিট এৱার্দ পীদুনা মনা পিবীখ্রবনি। ঙসিদি তাঙ্খুলশিংসু মখোয়না হান্না খঙনরম্বা "Kashsong Timrawon" হায়বগী মহুৎতা শিরুই লিলি অদুম হায়খ্রে। লৈ অসি মীয়ামদা শকতাকখ্রে। শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল খুঞ্জাশিংনা হান্না পাংথোকচরম্মী । চৈচৎ কুমশীং ২০১৭ তগী Tourism Department না মপূং ওইবা থৌদাং লৌবীদুনা ষ্টেটকী থাক্তা পুখৎপীদুনা শিরুই লিলি ফেষ্টিভেল অসি লেপ্তুনা পাঙথোকপীরক্লি । তাঙ্খুলগী থাজনবী ৱারীগী মতুংইন্না শিরুই লিলিগী চীনবুং ৱারী ফোকলোর তোঙান্না লৈজরি ।

শিরুই লিলি লৈরাং অসিনা মাঙদা থল্লগা তম্পাক্কী লৈরিবা লৈ ময়ামগী মনুংদগী লৈ অমখক্কী মরমদা পো কাঙদবা য়াদ্রি । ৱারেং অসিগী মিংথোল " ঈপাথৌকোক্কী কোন্বীরৈ হোঙবা নুমিৎনা লাকপদা " হায়বা অসিনি। 'কোন্বীরৈ' ময়াম্না মিং তানরবা, লৈশক উন্নরবা লৈনি। লৈ অসিগী মরমদা মীয়াম্না খঙনরিবসি চাউরাকপা খরতনি । লৈ অসিগী ৱারী ৱাখোঙ, শৈথানবা কয়া কয়া লৈরি। পেনা অশৈবা, খুল্লং ঈশৈ শকপীবশিংনা লৈ অসিগী ৱারী ৱাখোং, লৈশক লৈচু, লৈওংবু শৈথানবীরি । নাকল অমদা অমুক কুম হৌবগী শজিবু চৈরাউবদা লৈ অসি কৎপদা য়াওদবা য়াদবা লৈ অমা ওইনসু য়াওহনবীরি, মরমদি করিগীনো কনাসু থিজিন্নদে,খঙনদে। মাইকৈ অমরোমদা অমুক, বোটানিষ্টশিংনা লৈ অসিগী মরমদা কূপ্পা থিজিন্দুনা মতীক ময়াই নৈনবীরি ।

পূম্নমক অসি তুংওইনজরগা ঈপাথৌকোক হায়বা নাৎকী মরমদা য়োকখৎ থিগৎচরিবা কাঙলুপ অসিনা মতম কুইনদগী লম্ফেল পাৎ অসিদা শাৎচরিবা কোন্বিরৈ অসি ঙাক শেন্নদুনা লাকখি । লম্ফেল পাৎকী শক্তম ঙসিদি অকীবগী মশক্লি । অহাংবা মফম লৈত্রে। খুন্দারদ্রবা মীগী মখল লৈত্রে । লৈঙাক্কী লোইশঙশিং, মাইকৈ কয়াদগী মীওইশিংনা খুন্দাশিন্দুনা য়ূম, ব্যুল্ডিং কয়া শাজিনবদগী পাৎকী মশক মাঙখি । মহৌশাগী ফিভম য়েংশিনবীনবা লৈত্রবা মওংদা লৈরি । মহৌশাগা শাগোন্নজরকপা লম্ফেল পাৎকী কোন্বীরৈ লৈ অসি লায়না লাইথুং পল্লবা অমগুম ৱানা হিংলক্লি । শজিবু চৈরাওবা নুমিৎতা কোন্বীরৈ লৈবু মীয়াম্না নীংশিংবীরকই। লম্ফেল পাৎতা কোন্বীরৈনা কনানসু হন্না য়েংবীদনা শাংলবা চহী কয়া, শিবসু ঙমদা মনীং তম্না শাৎচবসু ঙমদনা লৈরক্লিবা অসিবুদি কনানসু ৱাখল তৌবিদে।

ইপাথৌকোক্না কন্না হোৎনজবদগী লম্ফেল পাৎকী কোন্বীরৈ হন্দক চহী খরা অসি মশা মউ খীংজরি । লৈরাং অসিবু পুথোকপীনবা চীংগী লৈরাং শিরুই লিলিগুম মশক তাকপীনবা মীচং লৈজদবনিনা ইপাথৌকোক্না লৈজবা পাঙ্গল থৌনা শীজিন্নজরগা হন্দক্কী চহী লাক্লিবা শজিবু থা অসিদা কোন্বীরৈ ফেষ্টিভেল মিংথোন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা নাৎকী মশক অমা ওইনা থৌরম পাংথোক্লবা থৌরাংদি লোইশিনখ্রে । মালেমগী অকীবা লাইচৎ অমসু লৈবনা লৈ অসিবু মীয়ামদা মশক তাকহৌদবা য়াদে হায়না হোৎনজরিবসি অৱুবা মতাং অমসু ওইরি। চৎন কাঙলোন ঙাক্লগা মহৌশাবুদি ঐখোয় কন্নবা চোংথোকপা তারি।

মকুম মথা শুরদুনা লম্ফেল পাৎকী কোন্বীরৈদি ইপাথৌকোক্না শেম শারিবা মশাইগোন্দা ফুগায়না শাৎপা হৌখ্রে। লম্ফেল নৱা কোন্বীরৈ লৈ অসিবু হোঙবগী থৌরম পাংথোক্লবা শেম শারিবা অসি লৈরাং মহাকসু খঙজবা মাল্লি হেন্না মকা লাম্না মমাঙগী চহীদগী হন্দক্কী চহী অসিনা হেন্না শাৎপা হেনগৎলক্লি। নিংঙোল ওইবীশিংনা অনৌবা কুমওন অমা লাকপদা হৱাউজবদুগা পাঞ্জক ওইরী । ইপাথৌকোক্না শজিবু থা, কোন্বীরৈনা হৱাউনা শাৎচবা থা অসিদা করম্না লম্ফেল পাৎতা শাৎলি হায়বসি মীয়ামদা উহন্নবা পাংথোক্কদৌরিবা থৌরাং অসি ইচম চমদ্রি । কোন্বীরৈগী মরমদা শৈথাবা খুল্লং ঈশৈ, পেনা ঈশৈ, খুন্নুং ঈশৈ থৌরাং তৌরি। অখঙ অহৈ স্কোলারশিংনা মহৌশা এনভাইরনমেন্টকী, লমলক্কী শা-ঙাগী, চীং-পাৎ, তুরেলগী অমদি লৈ অসিগী মরমদা ৱা ঙাঙবীগদৌরি । মহৈরোয়শিংনা লৈ অসিগী মরমদা খঙজনবা পেন্টিং কম্পীটিসন (লাইয়েকপা তান্নবা), ৱাখল লমজেল ( কুইজ কম্পীটিন) য়াওনা অখন্নবা থৌরমশিংগা লোয়ননা হোঙবগী থৌরম অসি পাঙথোক্লবা শেম শাবা লোয়শিনখ্রে । হৌজিক ঙাইরিবসি পাঙথোক্লবা মতম অমদি ওইরক্লিবা লাইচৎ অসিগী মওং অসিতা ঙাইরে ।

কোন্বীরৈবু হোঙবগী থৌরম ফেষ্টিভেল অমা শজিবু থা অসিদা ইপাথৌকোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা অসি অচৌবা কাঙলুপ অসিগী ৱারেপ অমা লৌরবা মতুংদা ওইগনি। কাঙলুপ অসিগী ৱাখল্লোন, পান্দম লৈপাক মীয়াম্না খঙমিন্নবসু চুমগনি। চীংদা শিরুই লিলি কনবগুম তম্পাক্কী লমগী লৈরাং কোন্বীরৈবুসু হিংহনবা চুম্মী । লৈ অনী অসিনা চীং তম অনীমক্কী নাৎকী মশক তাকমিন্নগদৌরি। ফেষ্টিভেল অসিগী পান্দমদা-"লম্ফেল পাৎকী কোন্বীরৈ কনবা, মহৌশাগী লন, ঙাক শেনবা অমদি খল কাইদনা থম্বা" হায়বা অমা য়াওরি ।

কোন্বীরৈ কনবা হায়বসি লৈ অসিবু মরাঙ কায়না, মনীং তম্না, লম্ফেল পাৎতা শাৎহনবা খক্কী ৱা নত্তে। করি মরমগী লম্ফেল পাৎকী কোন্বীরৈবু লূম্না অমদি লুনা লৌবগে হায়বসিগী পাউখুম কোন্বীরৈবু ঙাক শেল্লিবা ইপাথৌকোক কাঙলূপসিনা পীবা তাবনি। মরম লৈরমগনি,লৈ অসি ইচম চমদ্রি। হেক্তা হৌবা শাৎহনবসু য়ারমদ্রি । লৈ অসি হিংহনবদা মহৌশাগী ফিভম, নাক য়েৎ অকোয়বগী ফিভম তরু তনানবা চঙলি । লৈ অসিনা ফুগায়না শাৎলকপা মতমদা য়েংনবগী ঙাইনবা মীগী মশীং হেনগৎলক্লি । য়েংনীংবতা নত্ততা নাশোন পীক্না অদুঙৈগী ঈশৈশিং লম্ফেলগী অঙৈংবা নুংশিৎনা হুমদুনা পুরক্লগা তাবা ফংগদৌরি হায়বগী নুংঙাইবসু লোয়নরি । শৈরেংবা বি.জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা চৈচৎ কুমশীং ১৯৬৬ তা ঈশৈ ময়েক ইবিরগা নোংমাইথেম পহারীনা শৈপানবীরম্বা, কোন্বীরৈবু শৈথাবা ঈশৈ অমা ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালদা নান্দৈবম শুশিল্লানা ঙল্লিঙৈদা শকপীরম্মী । *"লম্ফেল নৱা কোন্বীরৈ, হায়নবদাই লৈনুংশি। লৈরাং লৈশক উদনা মাঙখিদৌবা পাম্মুইদা। ষণশেন্নহানা চিন্ন লৈ, শজিবু চৈরাউবা য়াওনা লৈ, নুংশি শৈরোলদা শৈথা লৈ, নুরানা থৱায় তাজা লৈ ।"* কোন্বীরৈ লৈগা মরী লৈনবা-নুরা মাইনু পেমচাগী, খমনুং য়াইথিংকোনুগী ৱারী, লৈরোনগী ৱারী তাবুনুংদা লোৎলগা লৈরি। মতম কুইনদগী চৎনরক্লবা কুমগী চহী হৌবা নুমিৎ,শজিবু চৈরাওবগী ৱারী ৱাখোঙগা লোয়ননা কোন্বীরৈনা লম্ফোল পাৎতা হৌজ নিংখিবগী, নুংশিবা ৱারী ঐখোয় ইপাথৌকোক্কী কোন্বীরৈ ফেষ্টিভেল লাক্লিবা শজিবু থাদা পাংথোক্কনি থৌরাংলিবা অসিদা অমুক্তং তামিন্নখিসি ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৮৭

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

খন্না লাউবা পাম্লমদে অদুবু মহাক্কী মগুন খঙহনগে খন্না-খন্না মহাক তশেংনমক মথৌ তৌবা হৌরক্লে। ওজা খরা মহাক্কী মনাক্তা লাক্তুনা লেপ্লরে।

ইখঙ খঙহৌদনা মহাক লাউরকই, "ফুরো, ফুরো ঐঙোন্দা। পিওন অদুবু কৌরকউ। মহাক্কী মমাংদা ঐবু ইকায়বা পীয়ু। করিগী লেপ্তুনা লৈরিবনো?"

কুম্মৈ হৌরে খঙনরকপদগী কাংলুপ অনীগী ওজাশিং মফম অদুদা লোয়না থুংলরে। নুপামচাশিংদি হৌজিক মশিং য়াম্না লাকপা হায়বদু ওইদ্রি। খরা লাকপা হৌরম্বা অদুসু পিওন অদুনা চৈদুনা লাপ্পা তান্থোকখি। মহাক কোলেজগী বরানদা অদুদা লেপ্তুনা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু লেপ্লগা য়েংদুনা লৈরম্মী। থোক্লিবা থৌদোক অদু শুপ্নগী অহলশিংগী ওইনা থোকখ্রে।

প্রিন্সিপাল সাহবসু ঙাইহাক মতৌ অদুদা অহানবদদি খরা পাখৎলম্মি অদুবু মহাক মশাগী অশাউববু খামজিঞ্জদুনা খন্না মাষ্টরগী মনাক্তা লাক্লম্মি। মহাক্না খন্না মাষ্টরগী মখুৎতগী ছুতিগী এপ্লিকেসন অদু চিংলদনা তপ্পা হায়রকই, "কন্না ঙাঙগনু খন্না মাষ্টর! নহাক্না লান্না উরে। পিরকউ, নঙগী এপ্লিকেসন অদুদা সাইন তৌরগে।"

ৱাফম অদু হেক হায়রকপগা মহাক্কী মখুরাগী মচানুপা অদুনা মহাক্কী মখুৎতা কোলোম অমা পীশিল্লম্মী। ইংখোল কোয়নবগী লাইরিক অদুগী মথক্তা থমদুনা মহাক্না করিগুম্বা খরা ইদুনা লৈরম্মী। মহাক্না ইর-ইরদুনা হায়রকই, "মসি ঐখোয়গী প্রিন্সিপলগী লাননি। মসিদা ফুন-চৈনবগী ৱাহন্থোক করি লৈবগে? ঈংনা-তপ্পা অদুমক তৌবা য়াবা ঙাক্তনি।"

খন্না মাষ্টরসু মশানা থোকহল্লিবা কুম্মৈ অদুদা খরা খজিক জ্ঞ্যান তারকপা মাল্লি। মহাক্না হায়রকই, "অহানবদা চে অদুদা সাইন তৌবিখো, অদুগা অতোপ্পা ৱা অমুক ঙাঙনসি।"

"মদু তৌরিবনি, মহাক নোকফেৎ তৌরদুনা হায়রকই, 'শে লৌরোসে!' এপ্লিকেসন অদুদা য়াওরিবা ৱাহৈ কয়া কোইরোক-কোইরোক কোইশিন্দুনা কল্লম্মি। অরোইবদা মহাক্না এপ্লিকেসন অদুদা ইংলিসতা ইরম্মি - অয়াবা পিদ্রে।"

খন্না মাষ্টর করিগুম্বা ৱা অমা হেক ঙাঙলক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মহাক্না এপ্লিকেসন অদু মহাক্কী মখুৎতা পীশিন্দুনা হায়, "স্পেলিং য়াম্না শোল্লি। 'হোলিদে' ইবদা 'এল' ইগদবদা 'ৱাই' ওইনা ইরে। খন্নাসু খঙদে মদুদি 'কে' অদু কেপিটেলদা নৎত্রগা স্মোলদা ইখিব্রা হায়বদু। পূম্নমক অদু চেকশিনগদবনিনে।"

ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরবা মতুংদা খন্না মাষ্টরনা শামুগন্দাগী মতৌগুম ময়া কাথোক্লদুনা মখোন থোক্লকই, 'কোলেজগী মপান্দা থোক্লক্লগা য়েংউ। উনবা মফম অদুদা স্পেলিং কাউরে হায়রিবদু লোয়না নিংশিঙহনগে।'

মদুগী মতুংদা লাঞ্জাউ হৌখ্রে।

ৱাফম অদু অয়ুক্কিনি। নুমীৎয়ুংবা মতুং ফাওবদা পুলিসতা কাংলুপ অনীগী মীওইশিংনা রিপোর্টসু ইখৎনখ্রে। রিপোর্ট অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লি মদুদি ওজাশিংগী মরক্তা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোকখ্রে, মখোয় মশেন অমনা অমবু হাৎপা পামখি। লোয়ননা মখোয় মশেন হাৎতোক্লনবা হোৎনবদা খান্বিনবা কনা অমত্তা লৈখিদে। অদুবু ৱাফম অমদি ময়েক শেংবা ঙমখিদে মদুদি মখোয় মশেন অমনা অমবু হাৎতোক্লবা পাম্লবসু করিগীদমক হাৎতোক্লখিদ্রিবনো। পুলিসনসু মদুগী ৱাফম অদুদা ওনখৎলগা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিগৎপা হৌখ্রে।

নুমীৎ অদুমক্কী নুমীদাংৱাইরমগী ৱেদ্যজিগী মীফমদা থৌদোক অদুগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। মীফম অদুদা য়াওরিবা ইচম চম্বা মীওইশিং অদুনা থোকখ্রিবা থৌদোক অদু খরা অমুক হেন্না শাথিবা মওংদা থোকহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি। হায়বদি থৌদোক অদুদা শরু-শয়াং তেকপা য়াওদ্রবসু য়ামদ্রবদা ফুন-চৈনবা অদুদা ঈ থোক্লা শোকপা-পনবা য়াওরল্লবদি ফগদবনি। মদু ওইরবদি য়েক্লবশিং অদুগী মথক্তা কেস মতিক চানা থাঙ্গৎপা ঙম্লমগদবনি। সনিচরনা খল্লি মদুদি খুঙ্গং অদুগী প্রধান ওইদ্রিঙৈ মরক অসিদা নেতাগিরিগী থবকসু খরা তৌহৌবা য়াই। কনাগুম্বা অমদগী শেল অমত্তা লৌদনা করিগুম্বা সেভা খরা তৌগে অমসুং মহাক্না হায়, প্রিন্সিপাল সাহবনা পাম্লবদি ঐ মহাক্কী মখুৎকী অনাবা য়েংবা ঙমগনি। হৌজিকসু করিমত্তা অকায়বা লৈত্রি। মদুসু খন্নাগী মীংদা চৎখিগদবনি। মতম অদুদা পিক্তু শাফবনা মহাকপু চৈরদুনা তুমিন্না লৈহনখি ।

নুমীৎ অদুগী রঙ্গনাথ অমসুং রুপ্পন বাবু ৱাফম খুদিংমক তুমিন্না তাদুনা লৈরম্মী অমসুং করিগুম্বা ৱা অমত্তসু ঙাঙলমদে। তশেংনমক শিবপালগঞ্জদা অপংবগী ইচেল অমা কন্না চেন্থরি। অদুবু থম্মোয়নুংদা প্রিন্সিপালদা শাওনরম্মি। কাইনথংদা রুপ্পন বাবুনা মপান্দা থোক্লক্তুনা ৱা ঙাঙলকই- অঙাওবা নুপা অসিনা হৌজিক কোর্টকী লম্বীদা পুশিন্দুনা জেলদা শোয়দনা অমুক থাজিনখ্রগনি।

নুমীৎ অদু ৱেদ্যজিসু প্রিন্সিপালগী ৱা কয়া খন্না মাষ্টরনা ঙাঙলি-শক্লিবা ময়াম অদু য়াম্না মুন্না তাদুনা লৈরম্মী। ৱাফমশিং অদু মপুংফানা তারবা মতুংদা মহাক্না ৱা অমা ঙাঙলকই, তৌবতবু মানা ঙাঙলক্লিবা ৱাফম অদু ঙসাইদগী ঙাঙনদুনা লাক্লিবা ৱাফমশিং অদুগা মপুং ফানা ওন্ন-তৈনবা হায়বদু ওইরে। মহাক্না হায়রক্লিবা ৱাফম অদু য়াম্না ফজবা অচুম্বা ৱাফমনি হায়বদি ৱাফম অদু হেক তাবদা অনাবা মী ফাওবা নাবা ফখি।

মহাক্না হায় :

"জিলা-ৱিদ্যলায়গী য়েংশিনবা কাংবুগী ধর্ম উরগা ঐদি তশেংনমক অঙকপা অমদি ফাওই। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা সিটিদা চৎলুই। মদুদা উরকই, নুপা অমা হনুমানজিগী মন্দিরদা লৈমায়দা মখোঙ শাংনা তিংথোক্তুনা খুরুমদুনা লৈরম্মী। নুপা অদু হেক হৌগৎলকপা উবদা অঙকপা অমা ফাওখি। নুপা অদু অতৈ ওইরমদ্রে ঐখোয়গী কোলেজবু য়েংশিনবা নুপা অদু ওইরম্মী। নুপা অদুগী মমিৎতগী মপি তপ-তপ তারম্মী। ঐনা খুরুমজরি হায়রুবা মতমদা মহাক্না খুরুমজরি হায়রদুনা খোঞ্জেল নিক্না 'হাউ-হাউ' খোংবগুম তৌরদুনা মমিৎ মখাদা য়েংথখি।"

"ইরোইগী অশেংবা শঙ্গোম লিটর মরি-মঙা পুবিখো হায়রকখি। অদুগুম্লবা ইশ্বরদা য়াম্না থাজবা মীওইশিং অদুগুম্বা চিঞ্জাকশিং চাদুনা মশাগী ধর্মবু মাঙহনবা হায়বদু থোক্লে।"

"পূম্নমক মতম মাগী লিলানি!"

জিওগ্রাফিগী মতাংদা য়াম্না লিরবা হায়নবা ৱাফম অমা লৈ মদুদি নুমীৎ মায়কৈগী মখা পোন্না থোক্তে। মানা থোক্লিবা মফম অদুদগী অদুমক চপচানা থোকই। মতৌ অসুমনা য়াম্না ফবা লৈঙাক্কী থবক তৌবশিং মীগী থবক্কী মখা পোন্না য়েংশিনবা চৎতে। মহাক্না হেক চৎপা মায়কৈ অদুদা অদুমক য়েংশিনবগী চৎপা খোঙচৎ হায়বদু ওই।

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা